৺সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, NOVEMBER 26, 2019 PAGE 7



*বিংরমাঙ্গোল কোলেজ শাওম্বুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল ৱুমেনগী বেষ্ট প্লেয়র তাখ্রবী বি এম সিগী গ্রেসি*

*বিংরমাঙ্গোল কোলেজ শাওম্বুংদা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল ৱুমেনগী বেষ্ট গোলকিপর তাখ্রবী এম য়ুগী এম অপনা*



# *আই এস এল ঃ* চেন্নাইননা হায়দরবাদপু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে

*চেন্নাই, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগগী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা চেন্নাইন এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাক্তুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।



চেন্নাইন এফ সি অমসুং হায়দরবাদ এফ সিনা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ অসি শান্নরকপদা য়ুম্বু টিম ওইখিবা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চত্থবা ঙমখ্রবসু গোল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিদবনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফ সিদা শরুক য়ারিবা তোন্দোনবনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট ক্রিভেল্লারোনা নীং থিনা কলেক্ত তৌরবা মতুং থোই সিংহদা অমুক পীরকপা বোল অদু থোইনা কাওশিনবদা হায়দরবাদকী গোলকিপর কমলজিৎ সিংহনা ঙাকথোকখিবদগী কোর্নর ওইখি।

মেটচকী ৬১শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই ইলি সাবিয়ানা কাওশিনখিবা সোট অমা হায়দরবাদকী গোলপোষ্টকী ক্রোস বারদা পানখিবদগী গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই এন্দ্রি স্কেমব্রিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাদুনা চংখিবদগী হায়দরবাদকী শান্নরোইশিংনা প্রেসর লৈরকখি।

ইনজুরি টাইম অসিগী ৫শুবা মিনটতা হায়দরবাদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মেথ্যু কিলগাল্লোননা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লাকখি।

অহাপ্পা মতম অসিগী ৬শুবা মিনিট চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নেরিজুস ভালস্কিসনা য়াম্না মরুওইবা মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিদা চেন্নাইন এফ সি অহানবা ওইনা মায় পাক্তুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র রেষ্টলরশিংনা পুন্না গোল্ড মেডল ১৩ লৌখ্রে

*টাইচুং, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনিজ তাইপৈগী সিটি টাইচুংদা চত্থরকপা য়ু–১৫ এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী জুনিয়র রেষ্টলরশিংনা গোল্ড মেডল ১৩ য়াওনা পুন্না মেডল ২৮ লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৮কী ফ্রিষ্টাইল কেটেগোরিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সাগর জাগ্লাননা পোইন্ট ১–৬ তা শোত্থরম্বা অদু য়াম্না ফজনা ফুক্কৎপা ঙমদুনা পোইন্ট ৭–৬ তা হেন্দুনা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর বেক্সুল্টানোভ য়েরখানবু থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী জুনিয়র রেষ্টলরশিং অদুদি চাহল (কেজি ৭৫), ভিসাল (কেজি ৬২) অমসুং জাটিন (কেজি ৮৫) নি। ইন্দিয়ানা ফ্রিষ্টাইল টিম রেঙ্কিংদা পোইন্ট ২২৫ ফংদুনা মকোক ওইখি।

ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর কোমল (কেজি ৪২), সিটল (কেজি ৪৬) অমসুং ধানশ্রী ফেন্দ (কেজি ৫০) দা সিলভর মেডল লৌখি। নুপীগী টিম রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ২১২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা জপাননা পোইন্ট ২৩৩ ফংদুনা মকোক ওইখি।

# অতানু অমসুং দিপিকানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

*কোলকটা, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী আর্চর অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারীনা এসিয়ান আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপকী রিকর্ভ মিক্স ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী আর্চরি ফেদরেসন অসি ইন্টরনেসনেল আর্চরি ফেদরেসননা অথিংবা থমদুনা লাকখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অসি ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবনি।

রিকর্ভ মিক্স ইভেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারীগী পেয়রনা চাইনাগী পেয়র য়িচাই ঝেং অমসুং সাওজুৱানবু পোইন্ট ৬–২ দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌদুনা একাউন্ট হাংদোকখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কম্পাউন্দ মিক্স পেয়র টিমদা শরুক য়ারিবা অভিসেক ভর্মা অমসুং জ্যোতি সুরেখা ভেন্নামনা কোরিয়াগী পেয়রবু পোইন্ট ১৫৯–১৫৪ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপী আর্চরশিংনা ওলেম্পিক কোটাগীদমক শগোলশেল নুমিৎতা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা শরুক য়াগদৌরি।

# স্পেননা কানাদাবু মেটচ ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা দেবিস কপকী ৬রকশুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌখ্রে



*মাদ্রিদ, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেননা য়ুম্ভু ওইরগা পাঙথোকখিবা টেন্নিস মশান্নগী টিম ইভেন্ট অমা ওইরিবা দেবিস কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু স্পেননা কানাদাবু মেটচ ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬রকশুবা ৱার্ল্ড টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে।

দেবিস কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচতা স্পেনগী রোবার্টো বোটিষ্টা আগুটনা কানাদাগী ফেলিক্স ওগর এলিয়াসিমবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা মখোয়গী ৬রকশুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনহখি।

অহানবা মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা কানাদাগী ফেলিক্স ওগরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা স্পেনগী শান্নরোই বোটিষ্টা আগুটনা য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী কানাদাগী শান্নরোই ফেলিক্স ওগরগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অসি ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল টাই অসিদা স্পেননা মেটচ অমা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

ফাইনেল টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা দেবিস কপ ২০১৯ গী টাইটল লৌবা ঙমখি।

রাফেল নদাল অমসুং দেনিস সাপোভালোভনা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা লাকশিন্দুনা শান্নরকখি। সেট অসিদা নদালনা সাপোভালোভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি মেটচ ২–০ দা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেলগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*মুম্বাই, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইনফোসিস ফাউন্দেসন–ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা নুপাগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা থাইলেন্দগী পেয়র চালোমপোন অমসুং কিট্টিসাকবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কৌশাল ধর্মামর কানাদাগী শান্নরোই জিয়াওদোং সেংগী মখূত্তা ১৯–২১, ২১–১৮, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী পোর্নটিপ বুরানাপ্রাসর্টসুকনা অতোপ্পা থাইলেন্দগী শান্নরোই বেনিয়াপা এমসাদপু ২১–১৮, ২১–১১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা মালেসিয়াগী টান পিয়রলি কুং লি অমসুং থিনাহ মুরালিথরননা মালেসিয়াগী অতোপ্পা পেয়র টিও মৈ ঝিং অমসুং য়াপ লিংবু ২১–১৮, ২১–১৪ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী পেয়র হু পেং রোন অমসুং চিয়াহ য়ি সিনা মালেসিয়াগী অতোপ্পা পেয়র চিয়া ৱৈজে অমসুং টান পিয়রলি কুং লেবু ২১–১৫, ২১–১৫ দা থোইদুনা টাইটল ফংখি।

# স্পেনগী লা লীগাদা সিভিল্লানা রিয়েল ভল্লাদোলিদপু ১–০ দা থোইখ্রে

*মাদ্রিদ, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সিভিল্লানা রিয়েল ভল্লাদোলিদপু ১–০ দা থোইদুনা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

সিভিল্লা অমসুং রিয়েল ভল্লাদোলিদনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ১৩শুবা মিনিটতা সিভিল্লানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ইভর বানেগানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অসি সিভিল্লানা রিয়েল ভল্লাদোলিদপু ১–০ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোলনা ভিলারিয়েলবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকখ্রবা সেল্টা ভিগোলগী গোলশিং অদু পিওনে সিষ্টো (৫৪) অমসুং আইগো এস্পাস (৮০, ৯০) শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা ভিল্লারিয়েলগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা সামুয়েল চুক্কেজনা চনবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেননা স্কোটিস ওপন বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে

*গ্লাসগো, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা চত্থরকপা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিব স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেননা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।





স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ব্রাজিলগী শান্নরোই ৱাইগোর কোলহোবু গেম ২–১ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা শান্নরোই অনীমক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। ব্রাজিলগী শান্নরোই কোলহোনা লোইশিল্লকপদা ফজবা খরা হেনখিবদগী গেম অসি ২১–১৮ দা থোইদুনা মাঙজিল থাবা হৌরকখি।

গেম অমা শোত্থরবা ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ্য সেননা অনীশুবা গেমদগী হৌরগা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ব্রাজিলগী শান্নরোই কোইলহোবু লম্বা কন্না পীরকখি। মহাক্কী ফজবা মশান্না অদুনা ব্রাজিলগী শান্নরোই অদুবু গেম অদু ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসি গেম অমমম মান্নদুনা লাকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অসি শান্নরকপদসু শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী হেক হৌবদগী পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাকখিবদগী ১৯–১৯ দা মান্নদুনা লৈখি। মখাতানা শান্নরকপা পোইন্ট অনী ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ্য সেননা লৌবা ঙমদুনা পোইন্ট ২১–১৯ দা মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী শান্নরোই কি জুয়েফৈনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সুং সৌ য়ুনবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৭–২১, ২২–২০, ২১–১২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ স্কোটলেন্দগী পেয়র আলেকজেন্দর দুন অমদি এদাম হোলনা দেনমার্ককী পেয়র জেপ্পে বে অমসুং মাইক্কেল মিক্কেলসেনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২১–১৭ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

স্কোটিস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র এমালি মেগেলুন্দ অমসু ফ্রেজা রাভননা ৭শুবা সিদেদ অতোপ্পা দেনমার্ককী পেয়র জুলি ফিন্নে ইপসেন অমসুং মাই সুরোবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৭–২১, ২১–১৫, ২১–৬ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র মাথিয়াজ খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং আলেকজান্দ্রা বোজেনা ৩শুবা সিদেদ অতোপ্পা দেনমার্ককী পেয়র মাথিয়াজ বে স্মিদ অমসুং রিক্কে সোবীবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২৩–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

# *নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ ঃ* দাহিয়া, ভরর্সা ভরমননা দবল ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি)ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা চত্থরিবা ৬৩শুবা নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা সঙ্গ্রাম দাহিয়া অমসুং ভরসা ভরমননা নুপা অমসুং নুপীগী দবল ত্রেপ ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নেসনেল সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী দবল ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলসকী সিলভর মেডালিষ্ট হরিয়ানাগী সঙ্গ্রাম দাহিয়ানা পোইন্ট ১৪২ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা অনকুর মিটালনা পোইন্ট ১৩৭ দা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পৃথিবী সিংহ চাহলনা পোইন্ট ১৩৫ দা লৌখি।

জুনিয়র মেনগী ত্রেপ ইভেন্টতা ময়াঙ্ক সোকিননা পোইন্ট ১২২ দা অহানবা, রাজদিপ সোধিনা পোইন্ট ১১৯ দা অনীশুবা অদুগা মোহমদ সালিম অহমদসু পোইন্ট ১১৯ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেলদা মধ্য প্রদেশকী সুট্টর ভরসা ভর্মননা পোইন্ট ৯৭ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। মনিসা কিরনা পোইন্ট ৯৩ দা সিলভর মেডল অদুগা মাহিমা ভিশ্বাকরমনা পোইন্ট ৯২ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

জুনিয়র ৱুমেনগী ত্রেপ ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা মনিসা কিরনা পোইন্ট ৯৩ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

--------

N O T I C E
Imphal, the 20th November, 2019

No. HL-21/H&T/2017: On the basis of the instruction of the Development Commissioner for Handlooms, Ministry of Textiles, Govt. of India and a meeting held on 18-11-2019, all member societies of the All Manipur Weavers Cooperative Society Association is hereby informed that formulation of proposal under Block Level Cluster component of NHDP require name, father/husband name, age, address, present status, Aadhaar, bank account and such other information on weaving activities.

All the concerned are, therefore, informed to submit the above details to the District Handlooms & Textiles concerned within 30-11-2019 (Saturday) for conducting baseline Survey and Diagnostic Study by the respective District failing which the case of the society will not considered by the Department.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

SL/B(DIPR)/26

**Government of Manipur**
**Planning Department**

----------

Online registration for selection of **Stand Up Manipur** for the year 2019-20 under the "Manipur Start Up Scheme" are invited from Scheduled Caste (SC)/ Scheduled Tribe (ST)/ OBC/Women/Minority/ Disabled candidates who fulfil the following criteria /eligibility :

a) Only first time (Greenfield) venture of SC/ST/OBC/Women/Minority /disabled entrepreneurs.

b) Age : above 18 years of age.

c) Business: In the manufacturing or service or trading sector (Condition of innovation may not be mandatory)

d) In case of non individual enterprises, at least of 51% of the shareholding and controlling stake should be held by either an SC/ST/ OBC/ Woman/ Minority/ disabled entrepreneurs.

e) Applicant business should obtain bank appraisal and clearance for Bank Loan

Interested Entrepreneurs/Firms/Companies who fulfil the above criteria a) to d) can submit their application through the website https://startupmanipur.in/ on or before 4th December, 2019 and final selection of the applicant will be as per criteria e). Details about the scheme and other criteria can be seen from the website.

Planning Department
Government of Manipur

SL/B(DIPR)/25 & 26

### ক্রোসৱার্দ ৩৪৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | E | L | O | N | ■ | S | A | G | S | ■ | R | O | A | R |
| A | W | A | R | E | ■ | A | L | O | E | ■ | E | D | G | E |
| R | E | V | E | L | A | T | I | O | N | ■ | L | O | R | E |
| E | R | A | ■ | S | O | A | K | ■ | A | D | O | R | E | D |
| ■ | ■ | ■ | B | O | R | N | E | ■ | T | E | A | S | E | S |
| A | S | S | E | N | T | ■ | ■ | S | O | L | D | ■ | ■ | ■ |
| R | I | N | G | ■ | A | S | S | E | R | T | ■ | L | Y | E |
| C | L | A | S | S | ■ | T | I | E | ■ | A | S | I | A | N |
| H | O | G | ■ | A | M | E | N | D | S | ■ | H | O | L | D |
| ■ | ■ | ■ | S | N | A | P | ■ | ■ | T | B | O | N | E | S |
| P | E | S | T | E | R | ■ | S | C | O | R | E | ■ | ■ | ■ |
| R | A | T | E | R | S | ■ | C | A | R | E | ■ | S | C | I |
| I | S | E | E | ■ | H | E | A | D | M | A | S | T | E | R |
| D | E | E | P | ■ | A | N | N | E | ■ | S | T | A | L | K |
| E | L | L | S | ■ | L | E | S | T | ■ | T | A | R | T | S |

**URGENTLY WANTED**

**IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE**
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR-795001
Regd. No. MN04E0008451

| Name of Post | Qlfn. | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. Hospital Adm. Off. | B.H.A. | 1 | At least 1 yr. | 12000-20000 |
| 2. Medical Transcriptionist | Relevant Cert. | 3 | Required | 7000-14000 |
| 3. Rediology | Relevant Cert. | 3 | 2yrs .exp. | Negotiable |
| 4. Lab. Tech. | Relevant Cert. | 10 | 3yrs. exp. | Negotiable |
| 5. A.N.M. | Relevant Cert. | 10 | Required | 8000-15000 |
| 6. G.N.M. | Relevant Cert. | 30 | Required | 10000-18000 |
| 7. Male Nurse | Relevant Cert. | 10 | | 10000-18000 |
| 8. Marketing (Medical Representative) | Graduation | 2 | 3yrs. exp. | 10000-18000 |
| 9. Sweeper | 8th Passed | 2 | | Negotiable |
| 10.Peon/ Helper | 8th Passed | 4 | | Negotiable |
| 11.Runner | 8th Passed | 4 | | Negotiable |

Date of Interview : 1st & 2nd Dec. 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.
Last date of form submission is 30th November, 2019
Forms will be available at the Office at Office hour
For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891

SL/5534/24-27 Nov.2019